ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯦ ꯰꯴, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯴꯰ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, মে ০৪, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ৪০শুবা মশীং

# রিমস

## হন্দক্তি খরুং মফম চারগদ্রা

লম্ফেলদা লৈরিবা রিজনেল ইন্সটিটুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) না মফম চাদবদা খিনবা খরুংদৌনা হেক হেক ওইহল্লকপা থেংনৈ। মসি হায় হায়দুনা অচৌবা হোস্পিটালগী কম্পোনেন্ট অমসু য়াওরিবা মেদিকেল ইন্সটিটুট অসিনা হৌজিক লৈরিবা মফমসি চাদ্রে হায়বা নত্তে। লায়েংশঙগা পুল্লিবা ইন্সটিটুট অসিগী পাক-চাওবা এরিয়া মতমগী মতুংইন্না চানরক্তবা থোক্লগসু হৌজিক লৈরিবসিদগী চাওথোকহন্নবা অকোইবগী মথৌ তাবা মফম খরা লৌশিনবা য়াই। লন্নাই মীওইশিংগী শোক্লুদ্রবসু অকোইবদা লৈবা গভর্ণমেন্টকী লমশিংবু রিমসকী পাক চাওবদা ওনশিন্দুনা তিনশিনহনবা য়াই। অদুগা অকোইবদা লৈবা লন্নাই অমসুং গভর্ণমেন্টকী লমশিং মখা তানা শোকচিল্লরোই হায়রগসু হৌজিক লৈজরিবা ইন্সটিটুট অসিগী ষ্ট্রকচরশিং তপ্না-তপ্না মথকলোমদা হাপচিন্দুনা ইনখৎলগা হেন্না চাওখৎহনবসু য়াগনি। অদুবু খরুং মফম চাদবা হায়বগী ৱাফম থোরক্লিবসিদি রিমসকী পাক চাওবা এরিয়াগী নত্তে। ইন্সটিটুট অসিবু এদমিনিষ্টর তৌগদৌরিবা এদমিনিষ্ট্রেসনগী মকোক ওইরিবা দিরেক্টরগী পোষ্টতা ঙাইহাক লৈতনা ইন-চার্জ বেসিসতা পুহনবা, ইন-চার্জ ওইনা পুননবা খনবদসু রুলগী মতুংইন্না খল্লি নৎত্রগা খন্দে হায়দুনা লো কোর্ট ফাওবগী মতেং লৌনরকপগী থৌদোকশিং ঙাইহাক লৈতনা থোকখ্রিবা করিগীনো হায়বনি। রিমস মশাগী লৈজরিবা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদগী সিনিয়র প্রোফেসরশিংগী মরক্তগী খনগৎলগা দিরেক্টরগী ফম থিন্দোক্তুনা পুহল্লকপসু য়াওবনিনা ইন্সটিটুট অসিদগী ফমসিবু পুবা/পায়বা ঙম্বা মতিক চাবা মীওইশিং লৈরি হায়বসিমসু চুম্লে। মসি ওইরগদি ইন্সটিটুট অসিগী থৌদাং পূম্নমক কোকথোংনগদৌরিবা ফমসিবু ঙাইহাক লৈতনা মফম চাদবদা খিনবা খরুং ওইহল্লিবা করিগীনো? ইন্সটিটুট অসিবু গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী হেল্‌থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্ট্রিনা লূম্না লৌদব্রা?

মে ১, ২০২৩দা মিনিষ্ট্রিনা থোকপা ওর্দর অমগী মতুংইন্না রিমসকী দিরেক্টরগী পোষ্ট পায়নবগীদমক দেপ্যুটেসনদা মীওই অমা এপোইন্টমেন্ট পীরকখ্রে। ইন-চার্জনা পুরক্লিবসি মখা-শাংথহন্দনবা লৌখৎলকপা থবক শোয়দনা ওইরমগনি। মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী তৌফম থোকপা ওইরমগনি। অদুবু মমাঙদা চহী ৫গী দেপ্যুটেসনদা দিরেক্টর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরকখ্রগা মতম শুদনা থাংদোকখিবা য়াওখিবনিনা হৌজিক দেপ্যুটেসনদা এপোইন্টমেন্ট পীরক্লিবসিসু অমুক তৌরক্লোইদ্রা হায়বসি হংলকপা মশানা তাবনি। অদুম্মাইনা তৌরক্কদবা ওইরবদি রিমস মশাদগী খ্বাইদগী মতিক চাবা রুলনসু য়াবা সিনিয়র প্রোফেসর অমা খনগৎলগা রেগ্যুলর দিরেক্টর ওইহনবদা কয়ামুক য়াম্না কাইবগে? মহাক্না ফমসি পুবা য়াবা চহী মতাং ফাওবা পুহল্লগা মতম লোইশিল্লক্লগনা মহুৎ অমমুক শিনবীবা য়াই। কুইনা সর্ভিস তৌজরক্লবশিংদসু খ্বাইদগী ৱাংবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ পোষ্ট অসিগী খুদোংচাবা পীবিবদা মখোয়গী মোরাল অমুক্কা হেন্না হেনগৎহনগনি খল্লি। অদুবু ওর্দর থোকখিবতা ঙাইরিবা অনৌবা দেপ্যুটেসনগী দিরেক্টর অসিগীদি হৌজিক ফাওবগী মরাইবক খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু তৌথোরকপা কৈদাসিদদি খূৎচাবি ওইদ্রিবা মখৈ পান্বে অমা নৎত্রগা অমা পুথোক্তুনা হুমা-হুমা থিরকপা মালহল্লি। তশেংনমক মসিমক্না অচুম্বা মরম ওইরম্লগদি ইন্সটিটুট অসিগীদা নত্তনা মীয়াম পূম্নমক্কী লাইবক থীনীংঙাইনি হায়নীংই।

# ꯔꯤꯃꯁ

## ꯍꯟꯗꯛꯀꯤ ꯈꯔꯨꯡ ꯃꯐꯝ ꯆꯥꯔꯒꯗ꯭ꯔꯥ

ꯂꯝꯐꯦꯜꯗꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯔꯤꯖꯅꯦꯜ ꯏꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯠ ꯑꯣꯐ ꯃꯦꯗꯤꯀꯦꯜ ꯁꯥꯏꯟꯁꯦꯁ (ꯔꯤꯃꯁ) ꯅꯥ ꯃꯐꯝ ꯆꯥꯗꯕꯗꯥ ꯈꯤꯅꯕꯥ ꯈꯔꯨꯡꯗꯧꯅꯥ ꯍꯦꯛ ꯍꯦꯛ ꯑꯣꯏꯍꯜꯂꯀꯄꯥ ꯊꯦꯡꯅꯩ꯫ ꯃꯁꯤ ꯍꯥꯌ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯑꯆꯧꯕꯥ ꯍꯣꯁ꯭ꯄꯤꯇꯥꯂꯒꯤ ꯀꯝꯄꯣꯅꯦꯟꯠ ꯑꯃꯁꯨ ꯌꯥꯎꯔꯤꯕꯥ ꯃꯦꯗꯤꯀꯦꯜ ꯏꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯠ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯃꯐꯝꯁꯤ ꯆꯥꯗ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯁꯉꯒꯥ ꯄꯨꯜꯂꯤꯕꯥ ꯏꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯠ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯄꯥꯛ-ꯆꯥꯎꯕꯥ ꯑꯦꯔꯤꯌꯥ ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯟꯅꯥ ꯆꯥꯅꯔꯛꯂꯕꯥ ꯊꯣꯛꯂꯒꯁꯨ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯩꯔꯤꯕꯁꯤꯗꯒꯤ ꯆꯥꯎꯊꯣꯛꯍꯟꯅꯕꯥ ꯑꯀꯣꯢꯕꯒꯤ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯕꯥ ꯃꯐꯝ ꯈꯔꯥ ꯂꯧꯁꯤꯅꯕꯥ ꯌꯥꯏ꯫ ꯂꯟꯅꯥꯏ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯒꯤ ꯁꯣꯀꯂꯨꯗ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯑꯀꯣꯢꯕꯗꯥ ꯂꯩꯕꯥ ꯒꯚꯔꯅꯃꯦꯟꯇꯀꯤ ꯂꯝꯁꯤꯡꯕꯨ ꯔꯤꯃꯁꯀꯤ ꯄꯥꯛ ꯆꯥꯎꯕꯗꯥ ꯑꯣꯅꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯇꯤꯟꯁꯤꯟꯍꯟꯕꯥ ꯌꯥꯏ꯫ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯑꯀꯣꯢꯕꯗꯥ ꯂꯩꯕꯥ ꯂꯟꯅꯥꯏ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯒꯚꯔꯅꯃꯦꯟꯇꯀꯤ ꯂꯝꯁꯤꯡ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯅꯥ ꯁꯣꯀꯆꯤꯜꯂꯔꯣꯏ ꯍꯥꯌꯔꯒꯁꯨ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯩꯖꯔꯤꯕꯥ ꯏꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯠ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯁ꯭ꯠꯔꯛꯆꯔꯁꯤꯡ ꯇꯞꯅꯥ-ꯇꯞꯅꯥ ꯃꯊꯛꯀꯂꯣꯃꯗꯥ ꯍꯥꯞꯆꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯏꯅꯈꯠꯂꯒꯥ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯆꯥꯎꯈꯠꯍꯅꯕꯁꯨ ꯌꯥꯒꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯈꯔꯨꯡ ꯃꯐꯝ ꯆꯥꯗꯕꯥ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯋꯥꯐꯝ ꯊꯣꯔꯀꯂꯤꯕꯁꯤꯗꯤ ꯔꯤꯃꯁꯀꯤ ꯄꯥꯛ ꯆꯥꯎꯕꯥ ꯑꯦꯔꯤꯌꯥꯒꯤ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯏꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯠ ꯑꯁꯤꯕꯨ ꯑꯦꯗꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯇꯧꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯥ ꯑꯦꯗꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯠꯔꯦꯁꯅꯒꯤ ꯃꯀꯣꯛ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯗꯥꯏꯔꯦꯛꯇꯔꯒꯤ ꯄꯣꯁ꯭ꯇꯇꯥ ꯉꯥꯏꯍꯥꯛ ꯂꯩꯇꯅꯥ ꯏꯟ-ꯆꯥꯔꯖ ꯕꯦꯁꯤꯁꯇꯥ ꯄꯨꯍꯅꯕꯥ, ꯏꯟ-ꯆꯥꯔꯖ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯄꯨꯅꯅꯕꯥ ꯈꯅꯕꯗꯁꯨ ꯔꯨꯂꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯟꯅꯥ ꯈꯜꯂꯤ ꯅꯠꯔꯒꯥ ꯈꯟꯗꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯂꯣ ꯀꯣꯔꯠ ꯐꯥꯎꯕꯒꯤ ꯃꯇꯦꯡ ꯂꯧꯅꯔꯀꯄꯒꯤ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤꯡ ꯉꯥꯏꯍꯥꯛ ꯂꯩꯇꯅꯥ ꯊꯣꯛꯈꯤꯕꯥ ꯀꯔꯤꯒꯤꯅꯣ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯔꯤꯃꯁ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯂꯩꯖꯔꯤꯕꯥ ꯇꯣꯉꯥꯟ-ꯇꯣꯉꯥꯅꯕꯥ ꯗꯤꯄꯥꯔꯠꯃꯦꯟꯇꯁꯤꯡꯗꯒꯤ ꯁꯤꯅꯤꯌꯔ ꯄ꯭ꯔꯣꯐꯦꯁꯔꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯒꯤ ꯈꯅꯒꯠꯂꯒꯥ ꯗꯥꯏꯔꯦꯛꯇꯔꯒꯤ ꯐꯝ ꯊꯤꯟꯗꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯄꯨꯍꯜꯂꯀꯄꯁꯨ ꯌꯥꯎꯕꯅꯤꯅꯥ ꯏꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯠ ꯑꯁꯤꯗꯒꯤ ꯐꯝꯁꯤꯕꯨ ꯄꯨꯕꯥ/ꯄꯥꯌꯕꯥ ꯉꯝꯕꯥ ꯃꯇꯤꯛ ꯆꯥꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡ ꯂꯩꯔꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯃꯁꯨ ꯆꯨꯝꯂꯦ꯫ ꯃꯁꯤ ꯑꯣꯏꯔꯒꯗꯤ ꯏꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯠ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯊꯧꯗꯥꯡ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯀꯣꯛꯊꯣꯡꯅꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯥ ꯐꯝꯁꯤꯕꯨ ꯉꯥꯏꯍꯥꯛ ꯂꯩꯇꯅꯥ ꯃꯐꯝ ꯆꯥꯗꯕꯗꯥ ꯈꯤꯅꯕꯥ ꯈꯔꯨꯡ ꯑꯣꯏꯍꯜꯂꯤꯕꯥ ꯀꯔꯤꯒꯤꯅꯣ? ꯏꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯠ ꯑꯁꯤꯕꯨ ꯒꯚꯔꯅꯃꯦꯟꯠ ꯑꯣꯐ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥꯒꯤ ꯍꯦꯜꯊ ꯑꯦꯟꯗ ꯐꯦꯃꯤꯂꯤ ꯋꯦꯂꯐꯦꯌꯥꯔ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯅꯥ ꯂꯨꯝꯅꯥ ꯂꯧꯗꯔꯕꯥ?

ꯃꯦ ꯱, ꯲꯰꯲꯳ꯗꯥ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯅꯥ ꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯣꯔꯗꯔ ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯟꯅꯥ ꯔꯤꯃꯁꯀꯤ ꯗꯥꯏꯔꯦꯛꯇꯔꯒꯤ ꯄꯣꯁ꯭ꯠ ꯄꯥꯌꯅꯕꯒꯤꯗꯃꯛ ꯗꯦꯄꯨꯇꯦꯁꯅꯗꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯑꯃꯥ ꯑꯦꯄꯣꯏꯟꯇꯃꯦꯟꯠ ꯄꯤꯔꯀꯈ꯭ꯔꯦ꯫ ꯏꯟ-ꯆꯥꯔꯖꯅꯥ ꯄꯨꯔꯀꯂꯤꯕꯁꯤ ꯃꯈꯥ-ꯁꯥꯡꯊꯍꯟꯗꯅꯕꯥ ꯂꯧꯈꯠꯂꯀꯄꯥ ꯊꯕꯛ ꯁꯣꯌꯗꯅꯥ ꯑꯣꯏꯔꯃꯒꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯒꯤ ꯃꯥꯌꯀꯩꯗꯒꯤ ꯇꯧꯐꯝ ꯊꯣꯀꯄꯥ ꯑꯣꯏꯔꯃꯒꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯃꯥꯡꯗꯥ ꯆꯍꯤ ꯵ꯒꯤ ꯗꯦꯄꯨꯇꯦꯁꯅꯗꯥ ꯗꯥꯏꯔꯦꯛꯇꯔ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯑꯦꯄꯣꯏꯟꯇꯃꯦꯟꯠ ꯄꯤꯔꯀꯈ꯭ꯔꯒꯥ ꯃꯇꯝ ꯁꯨꯗꯅꯥ ꯊꯥꯡꯗꯣꯀꯈꯤꯕꯥ ꯌꯥꯎꯈꯤꯕꯅꯤꯅꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯗꯦꯄꯨꯇꯦꯁꯅꯗꯥ ꯑꯦꯄꯣꯏꯟꯇꯃꯦꯟꯠ ꯄꯤꯔꯀꯂꯤꯕꯁꯤꯁꯨ ꯑꯃꯨꯛ ꯇꯧꯔꯛꯂꯣꯏꯗ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯍꯪꯂꯀꯄꯥ ꯃꯁꯥꯅꯥ ꯇꯥꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯝ ꯃꯥꯏꯅꯥ ꯇꯧꯔꯛꯀꯗꯕꯥ ꯑꯣꯏꯔꯕꯗꯤ ꯔꯤꯃꯁ ꯃꯁꯥꯗꯒꯤ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯗꯒꯤ ꯃꯇꯤꯛ ꯆꯥꯕꯥ ꯔꯨꯂꯅꯁꯨ ꯌꯥꯕꯥ ꯁꯤꯅꯤꯌꯔ ꯄ꯭ꯔꯣꯐꯦꯁꯔ ꯑꯃꯥ ꯈꯅꯒꯠꯂꯒꯥ ꯔꯦꯒꯨꯂꯥꯔ ꯗꯥꯏꯔꯦꯛꯇꯔ ꯑꯣꯏꯍꯅꯕꯗꯥ ꯀꯌꯥꯃꯨꯛ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯀꯥꯏꯕꯒꯦ? ꯃꯍꯥꯛꯀꯥ ꯐꯝꯁꯤ ꯄꯨꯕꯥ ꯌꯥꯕꯥ ꯆꯍꯤ ꯃꯇꯥꯡ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯄꯨꯍꯜꯂꯒꯥ ꯃꯇꯝ ꯂꯣꯏꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯒꯅꯥ ꯃꯍꯩ ꯑꯃꯃꯨꯛ ꯁꯤꯟꯕꯤꯕꯥ ꯌꯥꯏ꯫ ꯀꯨꯏꯅꯥ ꯁꯔꯚꯤꯁ ꯇꯧꯖꯔꯛꯂꯕꯁꯤꯡꯗꯁꯨ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯗꯒꯤ ꯋꯥꯡꯕꯥ ꯑꯦꯗꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯠꯔꯦꯇꯤꯚ ꯄꯣꯁ꯭ꯠ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕꯥ ꯄꯤꯕꯤꯕꯗꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯣꯔꯥꯜ ꯑꯃꯨꯛꯀꯥ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯍꯦꯅꯒꯠꯍꯅꯒꯅꯤ ꯈꯜꯂꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯑꯣꯔꯗꯔ ꯊꯣꯀꯈꯤꯕꯇꯥ ꯉꯥꯏꯔꯤꯕꯥ ꯑꯅꯧꯕꯥ ꯗꯦꯄꯨꯇꯦꯁꯅꯒꯤ ꯗꯥꯏꯔꯦꯛꯇꯔ ꯑꯁꯤꯒꯤꯗꯤ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯥꯎꯕꯒꯤ ꯃꯔꯥꯏꯕꯛ ꯈꯉꯕꯥ ꯉꯃꯗ꯭ꯔꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯇꯧꯊꯣꯔꯀꯄꯥ ꯀꯩꯗꯥꯁꯤꯗꯗꯤ ꯈꯨꯠꯆꯥꯕꯤ ꯑꯣꯏꯗ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯃꯈꯦ ꯄꯥꯟꯗꯦ ꯑꯃꯥ ꯅꯠꯔꯒꯥ ꯑꯃꯥ ꯄꯨꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯍꯨꯃꯥ-ꯍꯨꯃꯥ ꯊꯤꯔꯀꯄꯥ ꯃꯥꯂꯍꯜꯂꯤ꯫ ꯇꯁꯦꯡꯅꯃꯛ ꯃꯁꯤꯃꯛꯀꯥ ꯑꯆꯨꯝꯕꯥ ꯃꯔꯝ ꯑꯣꯏꯔꯝꯂꯒꯗꯤ ꯏꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯠ ꯑꯁꯤꯒꯤꯗꯥ ꯅꯠꯇꯅꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯀꯤ ꯂꯥꯏꯕꯛ ꯊꯤꯅꯤꯡꯉꯥꯏꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅꯤꯡꯏ꯫

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১২০

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মমাঙগী চয়োলদা ইজখিবদুগী মখা খজিক্তংগা চথ্খজরক্কে। ঐনা হায়জরিবসি হকথেংননা থেংনহৌবীবশিংনা করিগুম্বা পাবীরম্বা থোক্লবদি মখোয় নোক্লমগনি। অমুকসু শোয়দনা ঐবু ৱারৌরমগনি। ৱারৌবীগনু, মতমদুদা ঐনা করিগুম্বা হেক পূক্নিং শোন্থরম্বা তারবদি হৌজিক লৈনরিবা ফীভম অসি শুংওই ওইরম্লোই। কাং-খোং চাইবা অমা নৎত্রগা যূম্বান জুৎ চাদবা অমা ওইরম্বা য়াই। অদুবু মতমদুদা ঐবু নুংশিবীখিবশিং অদুবুদি ঐনা হন্না হন্না হৌজিকসু থাগৎচরি। ময়ামগী নুংশিবীবা কয়া অদুনা ঐনা ঙসিগী ফীভম অসি য়ৌরক্লিবনি হায়না খঞ্জে।

লীলা কৌবীরম্মে, অদুদগী ঐখোয়সু হায়নখিবা মতমদু শোয়দনা থেংদোক থেংজিন তৌরবসু লাক্লরে। লীলা শান্নফম য়ৌরকপসিদা ওইরে অনৌবা মশক অমা অমুক ওইদৌরিসিনা। ঐখোয়না হেক চঙখিবদগী লীলাগী ফি শেৎফম য়ৌখিবদগী, চাদগী চানবদগী শেম শাদুনা থনম্বশিং পুথোরক্কনি। করিগুম্বা মফম খরদদি থৌওইনা হৱাই মঙ্গল অঙৌবা, আলু অঙৌবা নৎত্রসু চনা অঙৌবগকা ফজনা ফোং ফোং শানা পুথোরকপা য়াওই। মদু লৈশাবীশিং অদুনা লীলা পার্টি পীজনবা হায়দুনা ঙৌজরিবনি। ঐখোয়বু নুংশিবীবদগী পীজনীংদুনা তৌরিবনি। অদুগীসু মথক্তা হোরেন লীলাগী শেল খরা তাবীনবা হায়বসিসু অদুম য়াওরিবনি। ৱা হায়বদদি ওন্থোক্লা নুংঙাইখ্রবা ৱা ঙাক্তনি। ঐগী নাক্তা চঙশিল্লগা মচিন থৌবী অমনা নাসোন্ননা হায়রম্মীনি। চাসে, মানা (মমিংদু পল্লগা) লোনবনিকো, হাওত্রদি ঐখোয়দা তাইনবা য়ারোইকো। মায় ৱাদু তাবদা ময়ামদুনা ৱা ৱা নোক্লিনি, ৱাপাংশিল্লিনি। "মানি-মানি" অদুদদি লোইরে লৈশাবীদুমদি ময়াম মমাঙদুদা চঙশি শিরে। অদুদা অমুক ঐনা চাদু থকত্রিঙৈদুদা খুম্মীনি "হাওই হাওই"। অদুগুম্বা কয়াদুদা ঐসু মী কৌবনিনা থম্মোয় থোৎথবগসু য়াওরিপোৎনিদা। অদুদা হুম মসিদি হেনজিল্লু য়াপোত্তে হায়দনা হন্দোকখিবগী ৱানি। লীলা শান্নরসু শান্নফমগা খঙদবা য়াওই। সুম এক্টিং তৌরকপদা মোইগী মপা য়ৌনা হেক য়েংশিল্লুবদা (থৌওইনা য়েংগে হায়না য়েংবদি নত্তবা) মোইনা "ৱা" লাওনা নোক্লক্কদৌরিনি। মোইদা য়েংলক্লে হায়দনা হৱাওজরিনি। ময়াম্না নোক্লসু মোইনা খরা খিৎ হেন্না নোক্কদৌরিনি। কপ্পসু মোইনা হেন্না কপচগদৌরিনি। ঐখোয়সি মোইনা কৌবা লীলানি হায়দুনা মোইগী ওইখ্রবনি। কনাগুম্বা অমত্তনা ঐখোয় লীলা পার্টিদা অকনবা ৱা হায়বনচিংবা অমত্তা তৌবা য়াবা নত্তে। ঐখোয়না লীলা মফমদগা খরা থেংনগা লাক্লবসু মোইনা ওইনা কন্থোকপীখ্রনি।

খ্বাইদৈ নুংঙাইরিবসিনা লীলাগী শেল পীরমদাইসিনি। লীলা লোইরকপদা মোই লীলা কৌরিবা লৈশাবীশিংদু পুল্লপ পুনশিল্লনি। অদুগা ফজবা পুখম অমদা হাপ্লগা পুথোরক্কনি। অদুগা পাক চঙলক্লোই। চঙলক্তবগী মরমদি ঐখোয়গী ফি লোইশিনবা লোইবা ঙাইবা অমা নৎত্রগনা শেলদু খরা তারগনা হায়বা তন্নদনা অমনা অমদা ইনশিন্নরগা নঙ চঙউ, নঙ চঙউ হায়দুনা ইন্নরিবনি। ঐখোয়না লাকও থেংঙে হায়রকান্দুদা ইন্নরগা চঙলকইনি। অদুদগী খরা মমায় শোনবা অমদা পুখমদু পায়হল্লনি অদুগা ইকায়না করিমত্তগা হায়দনা ঐখোয়গী মাঙদা পুপ লাওনা থনম্মগা চেন্থোকখিবগসু য়াওই। নৎত্রগনা "অদুদগী হেন্না লৈত্রে" গাইনা হায়রম্মগা তূমিন থোকখিদৌরিনি। মশীং থিরুবদা হায়নখিবদগী খরা তারমগনি। "সিদি য়ারোই খরা হাপখো" হায়রুবদা 'লৈত্রে, পান্বে লৈতে। য়াদ্রগা ঐখোয় মরক্তগী অমা পুখিদৌ ঙাইরে" গাইনা হায়রিবনি। অদুদদি নোক্তৌ মঙাইরেনে। কমাইনা মীগী লৈশাবীদু পুরগা চৎকদৌরিনো। অদুম য়ারেদনা। করিগুম্বা মফমদদি, লীলাগী চেবাউ ইনবদুদা ইখিবদুমক চপ চানা মশীং অমত্তা ৱাত্তনা পীরকপগা য়াওরিবনি। অদুদদি ঐখোয় অমুক মথা শারে। লোইনা পুগদরা নৎত্রগনা কয়া হল্লমগদগে হায়বা অসিদা। অদুনা ঐখোয় অমুক খন্নরে। অদুগা খরা হল্লম্বদু হৱাও হৱাওনা লৈহৌরিনি। ঐখোয়না চৎপগদু থিন্দোরকইনি। মথং চহীদসু ঐখোয়গী লীলা তৌদৌরিনি হায়না অনৌবা হোপ অমগা পীরক্লিপোৎনি।

সিনা লৈশাবীশিংনা লীলা কৌবগী ৱানি। মৌনা কৌবসিনা মহাউ অমনি। মায় মায় নুপাদুনা লীলা লোইরগা শেল পীবা চংলকপা য়াওই। মখোয়না মপান্দা লৈহৌরগা নুপা অমা/অনী চঙলল্লগা শেলদু তপ তাখৈ তারগা পীরদুইনি। খরা অমবুদি, মোই মৌ ময়াম অমা চঙলল্লগা লোইখ্রবা লীলাদু ফজৈ ফজদে, লোইশিল্লকপগীদু ফজবা ৱাৎলি ৱাত্তে হায়বনচিংবা কয়া অমা য়ৌ-য়ৌ ঙাঙলদুইনি। ৱাবুদি ৱাচোই ঙাঙদে। অদুবু মীৎচি-ও নাচি-ও নুংঙাইখ্রবা মতৌনিদা। খনবু খল্লুরগা হৌজিক্তদা কিবা অমা য়াওই। তপ্তাগী ঈশৈ অমা লৈদাইনে "মৌনগা ফজবসিদি তিন য়োৎপা অমা য়াওই" হায়বদো। অশেংবসুনি, মৌনগকা ঙাওরকপসিদি হুমাং কাংবজাৎনি। মদুদা হে শিংহৌদ্রদি চোপ্পদৌরিনি। অদুনা ঐ ইশাবুদি অদুগুম্বা কয়া অমা সুম সুম থেংনদুনা লাক্লবনিনা কমাইনা করি হায়নি হায়দু খঙই। অদুনা থোক থোক লৈথোক লৈশিন তৌরগা মতম মতমদুগী য়ানবা চৎলিবনি। মদুদা খজিক্তং য়ানীংদবা, মুক্তুনগকা তৌরবা লীলা চৎপগী চাং শৎ লাওনা হন্থদৌরিনি। অদুনা লীলা কৌবিরিবশিংনা য়ানবসু চত্তবা য়াদে। হে শিংনসু চত্তবা য়াদে। কাংগী নিঙোল মচা পালিগী লীলা কৌবগসি ওন্থোক্লা নুংঙাইখ্রবনি। চহী অমগী মনুংদা শুপ্পগী নুমিৎ অমখক থোকপা নিঙোল পালিদু ঐখোয়গী লীলা শংবা ঙাইবদা থা অমরোমগা চথ্খবা য়াওরিবনি। ঐখোয়বু তান্নবনীনা, নুংতিগী অদুম শংদবদগী সুম সুম চথ্খিদুনা থা অমরোম চোন্থবগা য়াওই। লীলাসি অসুক্কী মতিক য়াম্না কৌবিখি। তৌবগীদি মতমদু ঐখোয় শেল য়াম্না লৌদে। লৌফম থোকপা খরদগী হেন্না লৌদে। মতমদুদা খন্নজখিবা ৱাফম অমতং নীংশিংজগে। কনাগুম্বা লৈবাক তৌরগা নৎত্রগা নোংমগী খূৎশুমল তানবা নুপা অমনা থবক শুবদা লুপা কয়া ফংবগে হায়বা চাংদু য়েংলগা অদুদগী খজিক্তং হেল্লগা ঐখোয় লীলাগী মমলসি লৌই। মতমদুদা লীলাগী পার্টিগী মশীংসু অদুক য়াম্বা ওইদে। ঐখোয়গীদি মী তরুক্তনা লীলা শান্নে। ম্যুজিক ওকেষ্ট্রা য়াওরগনা মরি পূন্না তরা খক্তনি। হৌজিক্লা লীলাগী ময়ায়দা থোকপদা মাপন্দগী তরা ফাওবনি। ওকেষ্ট্রাদা তরুক পূন্না তরাতরুকনি। মদুগী মথক্তা মাইককী ওপরেটর য়াওগদৌরিবনি। অদুনা মী মশীংসু হেল্লে, এক্সপেন্দিচরসু হেল্লে। মতমদুদদি কৈসু য়াম্না এক্সপেন্দিচর চঙদে। মেক অপ হায়রসু হৌজিক্কানগীসি নত্তে। ইচম চম্বা ঙাক্তনি। অদুনা মেক অপতা শেল কৈসু য়াম্না থাদদে। হৌজিক্তি মেক অপকী পোৎ চৈ লৈবদতা মমল অতাঙবা ঙাক্তনি। অদুনা শেলসি য়াম্না কা হেন্না চঙবা হেল্লি। অদুগুম্বা ময়াম অদু পাশিল্লগদি মশানা লীলাগী মমলদু হেনবা তারকপনি। অদুবু কা হেন্না তৌরবদি লীলা কৌবা ঙমদদুনা লীলা শিথরক্লবগী মরম ওইগনি।

মতাংসিদা য়াম্না নুংশিবা ৱারী অমা নীংশিংলকই। হৌজিক্তি লৈখিদ্রবা অহৈবম তা শ্যাম অমদি খুন তা জয়কুমারসি য়াম্না নক্না তিন্নে/লোয়নৈ। ঐখোয়গী লীলাগী ঈশৈ কয়াগী শুরসু পাল্লম্মী। ঐখোয় মমিং লৈনা লীলা তৌরকপা হৌরকপদা লৈকায় খুদিংদা য়াওশঙদা, স্বাসতি পুজাদা অমদি অতৈ অতৈ থৌরম কয়াদা মরাং কায়না তৌরম্বা মতম ঈশৈগী থৌরমসি লীলানা লোইনা থৎখিদুনা ঈশৈ তৌবগী চাংসি অুক্কী মতিক হন্থখ্রে। কয়ামুক হন্থখ্রবগে হায়বদু হায়বা ঙল্লরোই। মমীং লৈনা ফাওরিবা শৈশকপা ঐনা মথক্তা মিং পঞ্জরিবা অনীসিনা ঐঙোন্দা হায়খি, "নোইনা লীলাদা ঈশৈ হাপচিন্দুনা তৌবসিদা ঐখোয়গী প্রোগ্রাম অমফাওবা চৎত্রে" হায়না। তৌবগীসু তা জয়কুমারসিদি ঐখোয়গা লীলা তোয়না অদুম চৎমিন্নে। মোইগী ঈশৈদু চৎত্রবনিনা, ঐখোয়গী লীলা য়েংবসি তোয়না তোয়না চৎলি। হৌজিক্লা অমুক ঈশৈ ঙাক্তা ঙাইরে। ঈশৈ তৌবনা শেল চঙদবা অমদি কোম্বা হেল্লে। মসিদি কোইথোক্লা হায়রুদ্রসু ময়াম্না হেন্না খঙবীরিবা অদুনি। লন্নাই মী অমনা, ইমুং অমনা লীলা অমা কৌদুনা ময়াম য়েংমীন্নবা ঙম্বগী ৱাদি পাক লৈত্রে। লীলা অমা তৌনবা হোৎনবদা য়ামদ্রবদা লিশীং ৫০দগীদি তাদনা চঙলে। মসিদা মৈ, ষ্টেজনচিংবসু য়াওরবনি। অদুনা শেল য়াম্না হেন্না চঙবা অসিনা লীলা কৌবগী চাং হন্থরক্লবরা হায়বা ৱাফম অসি চিংনবা পোক্লে। ●

# পুন্সিগী ঈচেলদা - ১৬

## ইমোইনু ইমানা লেঙশিনবীরকপনি - ১

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

টাইৱানগী ইনাওনুপীনা (ঐহাক্কী লোয়নবী চনীংলৈমগী মনাওনুপীগী নুপী) অহল ওইরবা পুন্সিগী ঈচেল লোইশিল্লক্লবা চহী ৯৬ হেল্লবা ইমা অসিবু ওল্ড এজ হোমদা থমখ্রসি হায়না মমাঙ থাদা হায়রকপদা চনীংলৈমগা ঐখোয় অনীনা মমাঙ চহী মরি/মঙাগী মমাঙদা য়াখিদবগুম হন্দকসু ওল্ড এজ হোমদা থম্বসি ঐখোয়না য়াদে। ফরে নখোইগীদা থম্বা ৱারবনিনা ঐখোয়গীদা অমুক থল্লগে হায়না অহল ওইরবা ইমাসি ঐখোয়দা লৈমিন্নরে। হান্নসু ইনাওনুপীনা ঐখোয়গা মখোয়গা শেল তঞ্জাই তঞ্জাই পুথোক্তুনা ওল্ড এজদা থমখ্রসি হায়রকপদা ঐখোয়না ঐখোয়গীদা থল্লগে নখোয়না পুথোক্কদবা শেনফমদো ঐখোয়দা ওইনা পীরক ও হায়না হায়বদা করি খল্লবনো খঙদে মখোয়গীদা অদুম মখা তানা থমখিবনি ইমাসি। ইনাওনুপাদুদি মহাক্কী নুপীনা ওল্ড এজ হোমদা থমসি হায়বসি শুকয়া য়াখিদে অদুগা হন্দকসু য়াদে। অদুবু ইনাওনুপীগী মরৈ কনবসিদা ঐখোয়দা থল্লগে হায়বসি য়ারক্লে হন্দক্তি, মরু ওইনা হান্না ইমাগীদা চেন্দুনা লৈরুবা ইচানুপী অহল চে চে, চনীংলৈমা অমদি ঐহাক য়াওনা শেন্নগদবনি হায়বদা।




হান্না খরা নহা ওইরিঙৈ, চথোক-চৎশিন ঙল্লিঙৈ মতমদদি শেন্নবদা অদুক হাক্না অৱাবা ওইবদি নত্তে। অদুবু হৌজিক হেন্না হেন্না সুম চহী য়ামশিল্লক্তুনা শোনজিল্লকপা, নীংথি-নুংঙাইনা ৱাখল খনবা ঙল্লক্তবা, কাউগনবা অমদি চাবা থকপসু হন্থরকপা মতমসিদা ইমাবু শেন্নবসি য়াম্না ৱারে, মখোয়গী পুন্সিদা ক্বালিটি য়াওনা হিংবা ঙমদ্রে হায়দুনা তোয়না মেসেজ থারকপা অমদি ফোন তৌরকপা অদুদা ইমাসি ঐখোয়গীদা থল্লসি হায়না লেপখিবনি চনীংলৈমগা ঐখোয় অনীনা, চনীংলৈমগী থবক তোক্লবসু তোক্লগা লোইরে হায়দুনা। হান্নসু ঐখোয়গীদা ওইনা থল্লগে হায়খিবনি। হন্দকসু ঐখোয়গীদা থল্লগে, ওল্ড এজ হোমদদি শুংথম থল্লোই হায়বদা ইনাওনুপীনা তুংদা নীংঙল্লক্লোইকো হায়না হায়রকই। মদুদা করিনো অহল ওইরবা ইমা ইপাবু মচা মশু ওইবা ঐখোয়না শেন্নবীবা, কোনবীবা অসিদা নীংঙল্লক্লোই হায়রিসিবু হায়দুনা ঐহাক য়াম্না শাউনীংখি। ইমা ইপাবু অহল ওইরে, কান্নদ্রে হায়দুনা, শেন্নবা ৱারে, ঐখোয় ইনীং ইখা তম্না হিংবা ঙমদ্রে হায়দুনা উচেক ৱায়াগুম হেক্তা হুন্দোকপা, ঐখোয়না থমনীংবা মফমদা হেক্তা থম্বা য়াবরো। ঐখোয়বু খোইবীনুংদা হেক নাও পুরকপদগী ঐখোয়না মী অমমম ওইদ্রিফাওবা মচাশিংসি মী অমমম ওইনবনি হায়দুনা চরা কয়া হেন, কালেন থাগী নোংজু নুংশা মরক্তা, নীংথমথাগী ঈংখ্রবা উলেন মখাদা ৱাই কৌবা হায়দনা লৈজবা মথৌনা পূম্নমক পুথোক্তুনা অফং অফংবা থবক শুরকখিবা, হোৎনজরকখিবা ইমা ইপাবু হেক্তা থৌশাবীদনা ইন্থোকপীবা হায়বসি য়াম্না লানবা শাজৎনি হায়না খঞ্জে ঐহাক্কী ওইনদি। নহা ওইরিঙৈদনা মখোয়গী মনাক্তা লৈবনি খঙদে, মখোয়দগী লৌ লৌদুনা হিংলকপা অদুগা ঐখোয়না মী অমমম ওইরক্লবা অমদি মখোয়না অহল ওইরক্তুনা মচা মশু ওইবা ঐখোয়গী মতেং মথৌ তারকপা মতমদনা ওল্ড এজদা থমজিনবা, তোঙান্না লৈরুরো হায়না ইন্থোকপীবা হায়বসিবু করম্বা হৌনবীনো। মতৌ অসুম্না চহী ৯৬ হেল্লক্লবা অসুক অহল ওইরবা ইমা অসিনা মচা, মমৌ অমদি মশুশিংগী মতেং মথৌ তারবা মতমসিদা ঐখোয়গী পুন্সি ক্বালিটি য়াওনা হিংবা ঙমদ্রে, থৌগল তৌবা ৱারে, ইনীং তৌনা হিংবা ঙমদ্রে হায়দুনা লাই ফাওবনা পোকঙমদ্রবা মীওইবগী পুন্সিসিদা মহাক্কী (ইনাওনুপী) মপুরোইববু পোপকীদুনা মী অমা ওইহল্লক্লিবা তারমদাই নুমিৎকী মশেক্কুম ঙাইহাক ঙাঞ্জবা ইমাগী পুন্সিবু ওল্ড এজ হোমদা থমজিনবীরবদি ইমা অসিগী পুন্সিদি ক্বালিটি লৈনা হিংবা ঙমগদৌরিবরা হায়বগী ৱাহংসিমদি ইনাওনুপী অসিনা হংদ্রবা মাল্লি। অতোপ্পা ৱাহং অমনা মহাকসু (ইনাওনুপী) নোংমদি মচা লৈবনিনা মমৌ ফংজদুনা মনেম হায়বদো ওইরক্কদৌরিবনি। মতমদুদা মহাক্কী মচা মমৌনা মহাকপু করম্বা মীৎয়েংগা লোয়নননা থৌগল তৌবীরক্কনি হায়বসি ঙসি মহাক্না মচাশিংদা তন্বীরিবা পাড়া অদুগী মখাসু য়াম্না পোনগদৌরিবনি হায়বসিমসু খঙদবগুম তৌই ইনাওনুপীসি।

ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইদা মচা মমৌ ওইবশিংনা অহল ওইরবা মমা মপা কয়াবু মখোয় মখোয়গী নুংঙাইবা, মনীং তম্বা, অয়েৎ অপন অমত্তা য়াওদনা মখোয়-মখোয়গী ইমুংখক খল্লগা হিংনীংলিবগী চৎনবী লাক্লিবসি মচা মমৌশিং অসিগী মমা মপা ওইবা কয়ানা মখোয়না নহা ওইরিঙৈদা মচাশিং অসিবু তাকপী তন্বীরক্তবগী মহয়নি হায়না থমজগে। মপালদা লৈরিবনি হায়দুনা নোংচুপলোমগী তোঙান তোঙান হিংবগী চৎনবী, ইন্দিভিজুএল ফ্রীদমদা যূম্ফম ওইবা নোংচুপলোমগী চৎনবী কয়াদি অফবনি হায়না তমশিল্লুরি অদুগা হৌরকফমগী ওইবা লাই ফাওবনা কল্লক্করিবা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা থন্বীরম্বা নীংথিজবা চৎনবী, হৌন-লোনচৎ, থৌগল্লোন্নচিংবা কয়াবুদি তাকপীহৌদ্রে। মদুগী মহয়নি ঙসি মমা মপা ওইবা কয়াবু উচেক ৱায়াগুম কান্নদ্রে, অয়েৎপা পীরে হায়দুনা ইরায় লায়না হুন্দোকপীবা, কাউথোকপীবা অমদি ওল্ড এজ হোমদা থমজিনবীবা ঙল্লিবা। মমা মপা ওইবা ঐখোয়না তন্বীদনা মখোয় মতোমতা খঙজরক্কনি হায়না খন্দোকপদি য়াম্না লানগনিদো।

ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইদা তৌনরিবসি মমা মপা ওইবা কয়ানা মপান্থোংগী ওইবা মহয়তা খন্দুনা হায়বদি থবক অমা ফংবগী, শেল-থুম থোকপগী ৱাখল্লোনদা যূম্ফম ওইদুনা মচা মশু ওইবা কয়াবু পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা বোর্দিংদা থমজিল্লি, অরাপ্পা, অতোপ্পা ষ্টেটতা মহৈ তম্বা থাজিল্লি, হৈনি খঙদে হৈরোই খঙদে শেল পায়রবনি হায়দুনা। হোয় মখোয় অচৌবা ওফিসরসু ওইরকপা য়াই, ডাক্টর, ইঞ্জিনিয়রসু ওইরকপা য়াই, আই এ এস ওফিসরসু ওইরকপা য়াই অদুবু অৱাৎপা অমনা ঐখোয় খুন্নাইগী নীংথিজখ্রবা হৌনা লোনচৎ, ৱাঙাঙ শঙাঙ, চাকচা, ফিজেৎ অমদি অহল লমনদা করম্বা থৌগল্লোন চৎকনি অমদি মমা মপা ওইবশিংনা অহল ওইরল্লবা মতমদা করম্বা মীৎয়েংগা লোয়ননা মমা মপাবু শেন্নবীগনি, কোনবীগনি হায়বগী পাড়াদি অমত্তা তন্বীহৌদবনা মমা মপা কয়াবু করিসু লৈতনা ইন্থোকপীবা ঙল্লক্কদৌরিবনি। মসি ঐখোয়গী খুন্নাইদা ময়েক শেংনা উরিবা অসিনি ঙসি ঙসিমক। খুদিংমক অসিগী হৌরকফমদি মমা মপা ওইবা ঐখোয়না ইচাশিংবু নৌরিঙৈ, নহা ওইরিঙৈদা তন্বীহৌদবদগীনি।

ঙসিদি চহী ৯৬ হেল্লবা ইমাসি ঐখোয়গা লৈমিন্নরি। অহল ওইরবা ইমাসি ঐহাক্কীদি ইনেমবোক ওইজরবসু ঐহাক্কী ইফমদদি ঐহাকপু হেক পোকপীবী লৈখিদ্রবী অপোকপী ইমাদুমক্লি খন্না থৌগল তৌজরিবনি। মরক মরক্তা ইমাগুম খনবা ঙল্লক্তবসু য়াওই অদুবু ঐহাক্কী মায়থোংসিদা মীনোক থমদুনা ইমাসিগী থৌগল তৌবদা ঐহাক্কী ৱাখলসু অদুম হোংলকই, হেন্না হেন্না অপোকপী ইমাগুম খনবা ঙল্লকই। তন্বীবা য়াবা থম্মোয়নি ঐখোয় খুদিংমক্কী থম্মোয়। ইমাগুম খঞ্জদুনা ইমাগী থৌগল তৌবা অসিগী মথক্তা ইমাবু ঐহাক্না য়াম্না থাগৎচরিবনি। ইমা অসিনা ঐখোয়গী লোয়নবী, মচানুপী চনীংলৈমা অসিবু পোকপীরম্বা, য়োকপী থাকপীদুনা মহৈ মশীন তমহন্দুনা অফবা লোয়নবী অমা, মমা অমা ওইহনবীরকপগীদমক। ইমা অসিনা মচানুপী চনীংলৈমবু পোকপীরমদ্রবদি ঙসি ঐহাক্না টাইৱান্দা লাক্তুনা ইংলিসকী প্রোফেসর অমা ওইনা থবক তৌবা ঙমজরিবা, মালেমগী ওইবা শান্নবুংদা মকোক থোংবগী মনা কয়া (১১) অমদি ইকায়খুম্ননীংঙাই ওইবা মীংথোল কয়া ফংবা ঙমজরিবা পূম্নমক অসি ওইথোক্লল্লোইদো। মসিগীদমক ইমাবু হন্না হন্না থাগৎচরিদো। ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইগী মৌগী শীংদা চল্লবী নুপীজা ওইবী কয়ানা মনেম মকুবু থাগৎচবা ঙল্লবা, অপোকপী মমা মপাগুম নুংশিনা থৌগল তৌবা ঙল্লবা ঐখোয়গী খুন্নাইদা ইমুং মনুং কাং-খোং চাইরিবা কয়া অসিদগী কনবা ঙমদুনা ঐখোয়গী খুন্নাইসি ঈংনা তপ্না হিংবা ঙমগনি। লোয়ননা চাওখৎপা, নুংঙাইবা খুন্নাই অমা শোয়দনা লৈরক্কনি খল্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।